## মীনাইদি ইকায়বা খঙদে হায়
### থিনসু হায়নীংদে ... উম

মীওইবা মরক্তগী অমদা নৎত্রগা খরদা 'অঙাওবা' হায়বা ৱাহৈসি শীজিন্নদুনা মিঙ্গৌরিবা অমসুং অসুম্না মিঙ্গৌনরবা মীওইশিংনা তৌথোরকপা থবক-থৌওংশিংবুনা অঙাও-অফৈগী থবক অমদি তাইবঙপান শেবাৎনবা হায়দুনা লৈশি-লৈথোন্নরিবসিবু করিগীনো? জাৎ-কুচু খেন্নবা, মান্নদবগী ৱাফম নত্তে। মী মরক্তা 'অঙাওবা' হায়বসিবু কনানো, করম্বা মীওইবু খঙনগদগে? হায়বদি অঙাওবগী 'দিফিনিশন' অমসুং ৱাহন্থোকসি করি হায়না হন্দুনা পীগদগে? মমিং চৎলবা, খঙ-হৈরবা সাইকিয়াত্রিষ্টশিংদা হংগদ্রা, মেন্টেল হোস্পিটালগী এক্সপার্ট, করিয়র কাউন্সেল্লর, সোসিওলোজিষ্ট, এদ্যুকেটর, ফিলোসোফর, ফোরেন্সিক এক্সপার্ট নৎত্রগা লিগেল ফ্রেটর্নিটিদা লৈবা জুদিশল ওফিসর অমসুং লো প্রাক্টিস্নরশিংদা হংগদ্রা? মখোয়গী ওপিনিয়ন লৌগদ্রা? মীতৈলোলদা 'অঙাওবা' হায়বা ৱাহৈসিগা চপ মান্নবা ইংলিস অমসুং হিন্দিলোলদা লৈবা ৱাহৈশিংদু শীজিন্নরগা 'গুগল' নৎত্রগা 'দিক্সনারি' দগা য়েংগদ্রা হায়বনি। এক্সপার্টশিংসু মাগী মাগী ওইবা ৱাহন্থোকশিং শোয়দনা পীনরক্কনি। অদুগা ৱাহৈসিগী চপ চাবা অতাবী অমসু শোয়দনা লৈগনি। লৈসনু, লৈফম থোকপগী লৈরিবনি। অদুবু মণিপুরী নৎত্রগা মীতৈগীগা হায়গদ্রা পীক্লবা লমদমসিগী খুন্নাইদদি 'অঙাওবা' হায়বসিদি মী খ্বাইগা মান্নদবা, তাইবঙসিদা মীওইবগী লীচৎ-চত্তবা, ওন্ন-তৈনবা অমসুং মথোং চাদবা থবক-থৌওংশিং তৌবা, চত্থবা মীওইশিংবু খঙনৈ। নুপী ওইবা য়াই, নুপা ওইবা য়াই। ময়ামগা মীমান্নদ্রবশিংবু খঙনরক্লিবনি। ৱাফমসি কোৎথোরকই হায়দুনা অসিগুম্বা মীওইশিংসিবু হন্থনা য়েংবগী ৱাফম নত্তে। ৱাহৈসিগী ফীভম অমসুং থাকসি য়ৌখ্রবা মীওইশিংবু অতৈ মীওইশিংগুম্না খোঙ্গুন তারক্লবা, নীংথিজনা লায়েংবীনবা মণিপুরদা মপূং ফাবা মেন্টেল হোস্পিটাল অমা ফাওবা থম্নবা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্নরক্লিবনি। ফীভমসি মীওইবা খক্তদা নত্তনা শাদা ফাওবা ওইরিবনি। হূইদসু অঙাওবা হূই, ষণদসু অঙাওবা লৈ, থেংনৈ। অদুবু মী ওইগেরা, শাদা ওইগেরা, অঙাওবা হায়বসি ওইরকপগী মরমশিং লৈনি। মরম লৈতনা ঙাওরকপা য়ারোই। মসিমক্লসু মী ওইরবসু শা ওইরবসু লুনা তৌবীদুনা লোয়নবীরগা শেল অমসুং মতম য়াম্না চঙনা লায়েংনরিবনি। মখোয়বু মহৌশাগী পূন্সিদা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনরিবনি।

অদুবু চপ চানা অঙাওবা মক্তি ওইদবা তৌথোরকপদদি মীওইবগী লীচৎতগী খরা-খজিক তোঙানবা থৌদৌ ওইরক্লগনা 'মঙাও থিখ্রেদা' হায়বা ৱাফম ফাওবা শীজিন্নদুনা ঙাঙন-শক্নরিবনি। অদুবু অসিগুম্বা মখলগী মীওইশিংসিগা ওনশিন্নবদি তৌনদে। মরমদি অঙাওবা মীগা ওনশিন্নবা মীওইদুনা হেন্না ঙাওই 'হায়বা চুমখ্রবা ৱাফম অমা মণিপুরদা 'আগে' দগী লৈরক্লিবনি। অদুগা মখোয়বু তাথী-তাওইনা তৌবীফমসু থোক্তে। মখোয়দি চাবা-থকপদনা 'অঙাও-চাকচা', তৌথোরকপদনা 'অঙাও-অফৈ' য়ূম্বান কৈবান্দনা 'অঙাও য়ূম্বান', ঙাঙথোক-শক্তোরকপদনা 'অঙাওবগী চোইরোল' লোল্লি হায়না খঙনরক্লিবনি। মখোয়গী তাইবঙপানগা তাইওন্নবা থৌদৌশিংনা হেন্দ-হেঞ্জিল্লক্লগনা ৱারক্নরিবনি। মখোয়দবু কৈদৌবৈ ফজ দবা ৱাহৈ-ৱাতানা ঙাঙ-শক্কদোইনো, হায়রুরগসু মনাদা হাপ্তুনা তাগদ্রা, হায়রুবদুগী ৱাহন্থোকশিং লাম্বা ফংজগদ্রা, হায়রুবগী মহয় য়ানগদ্রা হায়বনি। অমরোমদা মখোয়দি খরবু ফখ্রে। মখোয়গী মতৌ অমসুং কৈদাদুবু মথোঙ হুক্তে অমদি ৱাইওং চাদে হায়দুনা ৱারৌদুনা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতাশিংনা মখোয়দা করিমত্তা কান্নহন্দ্রবসু ঙাইহাক্কী চিন পেন্নবনেনা ঙাঙনীং-শক্লিংববুদি পোক্কনি। মীওইবগী হৌনবীনি। অদুবু অঙাওবশিংদা নুঙদা ঈশিং চাইবগুম থোক্কদবা অথিবা ৱাহৈশিং ফোঙদোকপনা অহল-লমননা মাঙশোক-ফম্মেন ফমদুনা ৱারক-ৱাত্নেক্তবনি হায়না লৌখিনি। তৌফম থোক্তে। অদুবু হান্নদগী হৌনা লৈরক্লবসু মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক চহী ২ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা লানসিদগীদি অঙাও অফৈশিংগী মশীংসি খংহেন হেনগৎলক্লে। অঙাওবা হায়বসি মফি-মরোল মফম-মরাং খঙদনা লম্বীদা বোরা য়াল্লগা চৎপা, ফত্ত-হৌদিশিং চাবা, উখোঙ-ৱাখোঙদা য়ারেকপশিং খক্তা নত্তে। ইনশিন-থৌজিনবীরগা হূই অঙাওবদৌনা খোংহনবা অমসুং ষণ অঙাওবদৌনা ৱাইহনবশিংসু অঙাও-অফৈনি, অঙাওবনি হায়গনি। মখোয়বু শীজিন্নবিরগা অরেম-অপা খরা পীজবীরগা চিক্লোন-নাওকোনবীরিবনি হায়বা শুকহিংসু হিংলরোইদবা, মল্টি ওর্গান ফেলিয়র ওইরে হায়দুনা সুইসাইদ তৌহঞ্জখ্রবশিংদু লৈবীবা, রিচার্জসু হাপ্পীবা স্মার্ট ফোন অমগী মমাঙদগা ফম্লগা শিংলি পাবন থোকপা মখৈ, মমিৎ-মনা চোংথোক্কদৌবমখৈ লাউ খোংলকপশিংসিসু ঙাওদে হায়বা য়াগদৌরিব্রা? মখোয়না খঙদ-হৈতবা লৈতে। নুমিৎনা নোংচুপ্তগী থোকই হায়বা ঙম্মী। ঙৌরোক ঙৌববু মুসুক মুবনি হায়বা ঙম্মী। মখাবু অৱাংনি হায়, মমাঙবু মনিংনি হায়বদসু মমায়গদু মচেৎ অমত্তা লাংশিন্দনা, ফীভম শুক্কাই কায়হন্দনা হায়বা ঙম্মী। ইনশিল্লগা চৎপা, অচুম-অরান থিদনা তৌ হায়বদা তৌবশিংসু অঙাও শাজৎনি হায়বা য়ারোইদ্রা? খন্থরগা খন্নসি হায়দুনা হৌদোরকপগী ৱানি। অসিগুম্বা মখলগী মীওইশিংসি অঙাওবনি হায়দ্রগনা মশাগী তৌফম থোকপা মথৌদি খঙজদবা, ইনশিনবীরগদা চৎপা, থৌদারগদা তৌবসিবু 'মীনাই' নি হায়বদি য়ারোইদ্রা? মীনাইদগী খরগা হেন্না চান-চুনবা ৱাহৈ মীতৈলোলদা নৎত্রবসু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজদগা চল্লবা নৎত্রগসু য়াম্না চাওখৎলবা লোলশিংদগদি লৈরমখিগদ্রা? শান্ন-খোৎনবগী চাংদম্নবদা, মহৈ-মশিং তম্বগী এগজামিনেশনদা মীথোই মীহেল্লকপশিংবু তরাম্না ওক্লে, মনা-মথুম অমসুং শক্তাকচেগো পীদুনা ইকায়খুম্নে, পূক্নিং থৌগৎনৈ। মরমশিং অসিনা হূইদা 'শু' হায়বদা চোংশিল্লগা লাকপনা হানবা, খাম্বা নংহৌদবা মীনাইশিংসিসু মখোয়না খোইদাজরিবা লম্বীসিদা তোমথীল ঙানবা য়াওরক্লবনিনা শীঙ্গৈবাক নৎত্রগা ৱাশ-শাজৈ ফাওবদি পীবিফম থোক্তব্রা? কনানবু য়েংবীনি, তাবীনেনা তৌজ-শারিনো? থিবোং-থিরিনগসে মপান্দা লোইনা থোরক্কদৌরে!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা'
### (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬০২)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্না ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

তুবী মতিক মথৌনা উৎ। লাইরেল মতিক ফুদোকনা। হুয়েল লালদা খৌশাবদি। শেলবী য়ুমলেল তুমনা মাঙ। কবো মৈচাকনা তাকনা মাংলে। হুয়েল লালদা লালথেংনঙে। কিয়াংনিংথৌ চৌরেং। লালদা থৌয়াংবা লাকচাথীনা লালঙমলে। লৈমা তৌসোই মিংকৌবী লালফারকয়ে। কিয়াং লাই শাবসু লোকনা ফারকয়ে। মৱাও লমদা তুবী খুৎশু থাঙয়াননরে। মানসে লালথেং লালয়ানলে। মোংয়োং লালঙমনা। থামুং লালদা মিংমাইবা। লাকচাথীনা লালঙমলে। লাইরেল মৈদিংঙু শেলবী খাগেমবনা। থেংয়াং চাঙৌ লোকতা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
### (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯰꯲)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ॥)

ꯇꯨꯕꯤ ꯃꯇꯤꯛ ꯃꯊꯧꯅꯥ ꯎꯠ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯇꯤꯛ ꯐꯨꯗꯣꯛꯅꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯕꯗꯤ॥ ꯁꯦꯜꯕꯤ ꯌꯨꯝꯂꯦꯜ ꯇꯨꯝꯅꯥ ꯃꯥꯡ॥ ꯀꯕꯣ ꯃꯩꯆꯥꯛꯅꯥ ꯇꯥꯛꯅꯥ ꯃꯥꯡꯂꯦ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯂꯥꯜꯊꯦꯡꯅꯉꯦ॥ ꯀꯤꯌꯥꯡꯅꯤꯡꯊꯧ ꯆꯧꯔꯦꯡ॥ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯊꯧꯌꯥꯡꯕꯥ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯃꯂꯦ॥ ꯂꯩꯃꯥ ꯇꯧꯁꯣꯏ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯤ ꯂꯥꯜꯐꯥꯔꯀꯌꯦ॥ ꯀꯤꯌꯥꯡ ꯂꯥꯏ ꯁꯥꯕꯁꯨ ꯂꯣꯛꯅꯥ ꯐꯥꯔꯀꯌꯦ॥ ꯃꯋꯥꯎ ꯂꯃꯗꯥ ꯇꯨꯕꯤ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯊꯥꯡꯌꯥꯅꯅꯔꯦ॥ ꯃꯥꯅꯁꯦ ꯂꯥꯜꯊꯦꯡ ꯂꯥꯜꯌꯥꯅꯂꯦ॥ ꯃꯣꯡꯌꯣꯡ ꯂꯥꯜꯉꯃꯅꯥ॥ ꯊꯥꯃꯨꯡ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯃꯤꯡꯃꯥꯏꯕꯥ॥ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯃꯂꯦ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯁꯦꯜꯕꯤ ꯈꯥꯒꯦꯝꯕꯅꯥ॥ ꯊꯦꯡꯌꯥꯡ ꯆꯥꯉꯧ ꯂꯣꯛꯇꯥ॥ ●

## কারন-তুরনগী জর্ম্মন রোদ, টাইগর-লায়ন ককথৎলু!



হেক্তা হায়নীংলকই - ৮৬৩

**জিতেন নামৈরাকপম**

ঐখোয় মীওইবদা খ্বাইদগী নুংঙাইতবসি ইশাগী পন্থুংফম তম্না চৎপদা লম্বীদা মরম ইচা-চাদনা থিংজিনবীবা অসিসু অমনি। চহী অনীগা থা অনীমখায় হেল্লক্লবা কুকি-মীতৈ কনফ্লিক্ট অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা মীতৈনা নেশনল হায়ৱে ফাওবদা কুকিনা অথিংবা থম্লি। ইন্দিয়ান সিটিজেন অমনা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা চৎনীংবা মফমদা চৎপা য়াই, লৈনীংবা মফমদা লৈবা হায়বগী আইন লৈরগসু মীতৈদা কুকিনা অথিংবা থম্বদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হৌজিকসু করিসু তৌদনা লৈরি। সুম চত্তবগী অমদি চৎপা য়াদবগী হৈনবী লৈখ্রবনা মীতৈগী শীংলি নাওরিদা হৈনবী অমা শেমখ্রবগুম নেশনল হায়ৱেদা মণিপুর ফাওদুনা চত্তবসি হৈনবী অদুম ওন্থোকখ্রবগুম কনামত্তা করিমত্তা হায়নদ্রে। তূমিন-তূমিন লৈনখ্রে। মসিমক্তি ঐখোয়গী তুংগী অশানবা মীৎয়েং য়েংলুবা মতমদদি ওন্থোক্লা খুদোং থীবা নংলক্লবগী মচাক অমনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনসু ফ্রী মুভমেন্ট য়াহনগনি হায়রগা মতম শাংদোকহন্দুনা সুম থম্বা অসিনা কুকিদা নাও চাওহনবা, মথৌ হাপচিনবা ওইনা থোক্কনি। মতম শাংদোক্তবীদা অৰৈবা ফোর্স শীজিন্নদুনা লম্বী থিংলম্বশিং আইন্না য়াদবা লমহেন-তুহেনবা পূম্নমক য়াদে হায়বদু খঙহন্নবা তকখায়বা অমা চঙলি।



চহী অনী হেনবা লম্বী থিংলিবা অসিদা কুকি ওর্গানাইজেশন নৎত্রগা কুকি ইন্দিভিজুএল অমত্তনা ঐখোয়না তৌরিবা থবক অসি আইননা য়াবা নত্তে হায়দ্রি। মালেমগী মফম অমত্তদা চৎনদবা মতৌনি। ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা নাগা, কুকি, পাঙল, বেঙ্গলি, বিহার মরৱারি, পঞ্জাবী, নেপালি, অমেরিকান, জর্ম্মনি, ওষ্ট্রেলিয়ন, নৎত্রগা মালেমদা লৈবা ফূরুপ খুদিংমক্কী মীওইশিংদি চৎপা য়াই। তুমিৎ কাংদগী হৌরগা থৱায় পানবা শা-উচেক খুদিংমক্তসু হায়ৱে অনীসিদা চৎপা নৎত্রগা পাইবদা অথিংবা লৈতে। মীতৈ খক্তনি চৎপদা কুকিনা থিংলিবা। মসিবু মালেমগী মফম কদাইদা চৎনবগে? অথিংবশিং, লমহেন-তুহেনবা মতু চোম্বা শা মানবা মকোক পাল্লগা ৱাখল খনবদি ঙমদবা মরু ওইনা লম্বী থিংলিবা কুকি হিংচাবগী শক্তম লৌরিবশিং, লম্বী থিংবদা উবদা কাপ কাপ্তুনা হাৎতোকপা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈরোই। ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা হায়খিবসু লৈখ্রে 'নেশনল হায়ৱেদা মীতৈনা চৎপদা কুকিনা থিংবা খুদক্তা হাংদোকহনবা ঙম্মী অদুবু মীশি মীনা য়াম্না য়াওগনি খনবদগী নাকল অনীমক্তা য়ানরগা তপ্না তুংকোয়বা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা লম্বী থিবনি, কুইররোই।'' মতাং অসিদা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) চৎনদুনা ৱারী শাখিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনসু মখা তানা লম্বী থিংদুনা সুম লৈরগদি থিংলিবা কুকি মচা য়াম্না শিগনি। থাগী ষ্টাইপেন্দগী টাইপ্তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরিবা থাগী লুপা ৬০০০/৬০০০ (য়ু পি এফ, কে এন ওগী কাদর ২২০০) ককখিবগী মথক্তা খূৎলায় ফাগৎপা, মী ফাগৎপা, সূ কেম্প থুগায়বা, শম্না হায়রবদা সূ ককথৎখিবা তারগদি কুকি পুমলোই লোইরে। শর্বনাস শারগনি খনবদগী লম্বী থিংবা, মরৈ য়েৎপগী পাম্বৈ লোইখ্রে। মতমদু ঐখোয়না য়াম্না থুজিনহন্নীংবগী ৱাতনি।

শোমদা অমুক য়েংসি। ফুটহিল নাগা কোওর্দিনেশন কম্মিটিনা চীংখোঙ চীংয়াগী নাগা তাবা লম্বীশিংদা কুকি চৎপা থিংবগী মতম কক্তবা ব্লোকেদ চঙশিনবা হৌখ্রে। হৌখিবা জুলাই ১৮গী অহিং নোংয়াইদগী হৌখিবা কুকি চৎপা থিংবগী শাফূ অসি হায়ফেৎ কনখৎলক্লি। বন্দ অসি নাগা গ্রুপ কয়ামরুম্না শৌগৎনরক্লি। ইটেন লিয়াংমৈ নাগা চীফকী চ্যেরমেননা পীবা ব্রিফিং রিপোর্ট অমদা নাগালেন্দ পোষ্টতা ফোঙলক্লি -Naga ancestors had offered refuge to Kuki communities fleeing Burma in a spirit of Christian compassion. However this gesture has been 'misused' over the years, ELNCCA stated white alleging land encroachments by Kuki groups into Naga territories was a 'betrayal of trust' and 'territorial agression" কুকি রিফ্যুজিশিংনা মণিপুরগী লম খোপচিল্লকপদা নাগা তাবা লমশিং য়াওশিল্লক্তুনা লম মমিং পংথোন্দা থোনজিনবা অমসুং আইন্না য়াদবা লম্বী শেম্বা হৌরকপগী মায়োক্তনি। হৌজিকসু বন্দ মখা চথরি। নুমিৎ হুম্নি/মরিনি কুকি চৎপা থিংলকপদা কুকি খাঙবা ঙমদ্রে। মখোয়গী লাইফ লাইন ওইরবা লম্বীনি চুড়াচান্দপুর-কাংপোকপী রোদ (জর্মন রোদ-টাইগর রোদ, লায়ন রোদসু হায়রিনে) থিংবীগনু পাম্বৈ লৈত্রে অসিনি। মীতৈনা হায়ৱেদা চহী অনী হেন্না চৎপদা থিংলিবা কুকিনা মখোয়গী ওইনদি লম্বী চত্তবা য়াদে অসিনি। দবল ষ্টেন্দর্দ অঙাং পিকক্রু অমা ফাওবনা খঙলবা কুকি কাঙবু খরগা হেন্না অৱাফমদা তাহনবা, লাক্লবা তঙাইফদ্রবনি। তশেংনা হায়রগদি জর্ম্মন রোদ, টাইগর রোদ অসি স্মাগ্লিং রোদ, পোপি, নম্বর ফোর সপ্লায়িং রোদ, কুকি মিলিটেন্টস ফ্রী মুভমেন্ট রোদ অসুম্না থোল্লবসু য়াবজাৎনি। মরমদি অরোনবা লম্বী অসিদা ইন্দিয়ন ফোর্সকী আর্মি অমত্তা লৈতে। তৌনীং তৌনীংবা তৌবা, চৎনীং চৎনীংবা চৎপদা অথিংবা পীদবা লম্বীনি। মমিংসু কুকি টেররিষ্ট লিদর, জর্ম্মন, টাইগরগী মমিংদা থোনবসিবু আইন্না য়াবরা?

মমিং থোনবা, ওন্থোক্লিংবা মমিং কুকিনা ওন্থোকপসিদি মণিপুরদা মখোয়না তৌনীং তৌনীংবা তৌখৎলক্লিবসি কুইখৎলক্লে। থাংজিংনা-থাংতিং, চুড়াচান্দপুরনা লমকা, কুকি ভেঙ করি-করা হন্দক মোরেদা মীতৈ লৈকায় মূখৎনবা হোৎনখিবা, য়াইঙংপোকপী কুকি ভিলেজকা হায়দনা নমথোন থোনজিন্নবা হোৎনরিবা ওইরোইদবা ঙাক্তনি। গুগল মেপতা কুকিলেন্দ য়াওব্রা, লমকা, থাংতিং য়াওব্রা য়েংবীয়ু, য়াওদবনি। কান্নরোইদবা মঙলান ঙাক্তনি। ইপা ইপুগী হাক্তক্তগী কাংপোকপী, সেনাপতি থোল্লম্বসিবু কাংপোকপীবু কাংগুই ওন্থোক্লবা হোৎনবসু য়াদে, ওইদে। অদুবু মখোয়সি মশীঙ্গাদি কনখ্রবজাৎনি, হোৎনবদি লেপ্তে। ওইয়ু য়াদবা ফংউদি য়াদ্রবা মীওই ঙাক্তনি। মণিপুরদা মখোয়গী হোম লেন্দ অমা তালহৌদ্রগদি পৃথিবীগী মফম অমত্তদা লৈতবদগী শিবা-নাবা কিদনা হোৎনরকপনি। হন্দক লান মনুংদা শুগুনু, সেরৌরোমদা 'নজরেথ' হায়বা লম অমা থেংনজৈ। কুকিনা নমদুনা থোনজিনবা মমিংনি। চুড়াচান্দপুর নর্সিং হোম অমসু 'নজরেথ', নজরেথ ক্লিনিক, নজরেথ প্রাইমারি স্কুল, মিজোরাম নজরেথসু লৈ। কুকিনা পামজবা নজরেথ অসি ইজরেলদা লৈ। বাইবলগী মতুংইন্না ওল্দ টেষ্টামেন্টতা নজরেথ অসি যিশু খৃষ্টনা অঙাং ওইরিঙৈগী ময়ূমনি হায়রি। কুকি লমহেন-তুহেনবশিংসি হৌজিক হাত্তোকহৌদ্রগদি মণিপুরদা ক্রাইম মথং মথং তৌরক্লবা শেম শাদুনা লৈখ্রে। মসিদা য়েলহৌমী নাগা, মীতৈনা মীৎয়েং চঙহৌবা তঙাইফদ্রে। নজরেথ থোল্লিবশিং অসি মখোয়গী ৱাখলদা মফমদু, টাউন দদু মখোয়না পায়শিলহৌবা, Nazareth - may also derive from the Verb natsar, meaning 'to watch, guard, or keep. "This could imply the town was a watch tower or a guarded place, or it could refer to its scheduled nature and how it was 'preserved' or 'protected' হন্দক্তা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ট বিশ্বা সর্মনা মণিপুরদগীফাও লাক্লগা লম খোপচিল্লে তান্থোকখ্রে হায়বগী প্রোসেস হৌখিবদুসু কুকিশিং শোয়দনা ওইরমগনি। মমাঙ থাদা খরসু তকথবা হৌখ্রবনি।

জর্ম্মন রোদ, টাইগর নৎত্রগা লায়ন রোদ শেম্লকপদা নাগাগী খোঙজং হনগনু নৎত্রগদি নখোয়গী লম কুকিনা শোয়দনা মুনবিখিনি। মীতৈদা তৌখৎলক্লিবসি কাউগনু। চেকশিলহৌবনা মফরে। লমহেনবা কুকি নমদুনা তান্থোকহৌ! ●

## ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ১১২

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

লাইনীং লাইশোন ফূরুপ মান্নবা মশেলগী মনুংদা মান্নদবগী মহয়শিং :- ফূরুপ মান্নবা মশেলগী মনুংদা/মরক্তা লাইনীং লাইশোন অমদি লাইনীং লীচৎ মান্নদবশিংনা লৈপাক খুন্নাইগী ওইবা অপূনবগী য়াইফনবা থবক থৌরম, থৌরাং-থৌশিল পায়খৎপদা, অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা খুরৌ থাংহন্দুনা অনী থোকপগী ৱাখল থোরকহল্লি/পোকহল্লি। খুদম খরা-

- ইমালোলদা মীরমগী লোল কয়া পুশিল্লক্তুনা লোলয়ান কয়া অমা অশেঙবা মথৌ তাদবদা মথৌ তাবগুম্না য়াওশিলহল্লকই;

- লাইনীং লাইশোন মান্নদ্রবনিনা লাইনীং লীচৎ খেন্নবগী মতুংইন্না অপূনবগী খুন্নাইদা মীরমগী মখল মখাগী থৌরমশিং অমদি হরাও-কুম্মৈশিং পুশিল্লক্তুনা থৌরম মশীং হেনগৎলকপদগী মীরমদা মীপান তাংনবগী মরম ওইহল্লকই;

- মীরমগী লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা হান্না ইরমদমসিদা শুক্লে লৈরমদবা লাই ময়াম পুশিল্লক্তুনা ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন্দা খুরৌ থাংবা মওং কয়াদা থোকহল্লি। খুদম, ইরমদমগী খোইয়ুম লাইরেম্বা-লাইরেম্বীশিংগা মতিক ময়াই মান্নবশিং মীরমচাগী অখঙবশিংগা ইরমচাগী অখঙবা শাগৈগী মৈতাল অশিবশিংগা লৌতুনরগা লাইফমগী মমিংশিংদা নত্তনা খোইয়ুমশিং অমদি খোইমোম লাইরেম্বীশিংগী মমিং ফাওবা ওন্থোকপা কয়ানি।

-লাইনীং লাইশোনগীদা মীরম মখোয়গী মান্নবা লাই কয়া লমদমসিদসু লৈরবসিনা মনীং তম্না মীরমচা মশীং য়াম্না লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লকপদা খুদোং চাহল্লি;

- মীরম লাইগী ৱারী ৱাখোং পুশিল্লক্তুনা লমদমসিগী লৈশেম্লোনদগী শাগোন্নরকপা ইরমদমসিগী খোইয়ুম লাইনিংথৌ অমদি লাইরেম্বীশিংগী অশেঙবা ৱারী ৱাখোঙ মুথৎনবা শেমজিন শাজিনবা খূৎশেমগী কয়া অমা শেমগৎলক্লগা ইরমদমসিগী অশেঙবা পুৱারী মুথৎনবা হোৎনরকই;

- মীরম লাইনীং লাইশোনগী চৎনবীনা খুন্নাইদা অশেং-অমাং অমদি থাক অনেম-অৱাংগী মিংদা খায়বুং তান্নহনবা থোকহল্লি। নম্ফুদা ইরমদমসি ইন্দিয়াদা তিলহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবদগী থাক অনেম-অৱাংগী মিংদা মশানা চীংলৈপাক ওইরকপগী ফংফম থোকপা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ষ্টেটস (মীরোলদা), ইন্দিয়াদা তিনবা মতমদা ফংলমগদবা হক (মীরোলসিমক বৃটিশকী মতুংদা ইন্দিয়ানা শীজিন্নদৌবা) তু ফংদনবা খুন্নাইদা থাক ৱাংই খঞ্জখিবা খরগী খুজিল থৌরাংদগী ফংখিদবদু হৌজিক্তা ফংনবা/পীহন্নবা হোৎনবদা চহী কয়াদগী হোৎনরকপসি মখল মখা কয়াগী অয়েৎপা অমুক নৌনা থোরক্তুনা ফংফম থোকপা হক সেদ্যুল্ড ত্রাইব ষ্টেটস ফংবা য়াদনা/ৱানা লৈরি।

- মরু ওইনা পামহৈবা নিংথৌ মশাদগী হৌরগা মতুং তারকপা মচাশিং, মশুশিং, শুথাংশিংনা মীরম হিন্দুগী লাইনীং লাইশোন অমদি লাইনীং লীচৎ মওং অমা নৎত্রগা অমদা পায়জরুবদগী ঐখোয় ইশাগী অশেঙবা শক্তম তাকপা ঙমজদনা উতাংবী/মুকশন মচাগী শক্তম ওইনা তাক্তুনা মীরম লাইগী লাইচুবা ওইবা/ওইবী খুন্নাইদা অদুম খরদি মরৈরি। চহী মতম খরদি মীরম লাইগী লাইচুবা ফবা/কোকখিবা ঙাইখিবা তারি।

- ইমালোলদা মীরোলনা লোলয়ান ওইবা থিংনবা মীরমগী লীচৎ পামজবা শাগৈগী মৈতাল অশিবা অখঙবশিংনা য়েৎনা লৈশিনখিবা পরৈ ওয়না হনবা, ওয়না লৈশিনখিবা পরৈ য়েৎনা হন্নবদু ওইনবা ঈনাৎকী অখঙ অহৈশিংনা কাঙলোন চুম্না পরৈ হনবগী মতম ওইরক্লবনিনা মান্নদবা মীরম লাইনীং লীচৎনা মান্নবা ইফুরুপচাশিংগী মরক্তা খায়বুং তাহল্লম্বা চৈথেংসি মুথৎনবা অমৎতা ওইনা নহনফমদা হঞ্জিনবা হায়বা থৌনি থৌরম অমা লোইশিল্লকপদা তৌবদুম্না চপ মান্নবা ঈনাৎকী ৱাখল পরিংদা হঞ্জিন্দুনা ইমালোলবু য়োকখৎলসি।

নোংখ্রং ঈরুপ্তুনা পরৈ হল্লগা মীরম হিন্দু লাইনীং লীচৎকা মরী লৈনবশিং থাদোক্লবগী থৌওং :-

মথক্তা ৱায়েল শঙগা মরী লৈননা মীরোলদা 'এফিদেভিট' তৌরগা 'সিংহ, দেবী' গী মহুৎতা য়েক ৭কী মমিংশিং ওইনা মশা মশাগী মিংশিংগী মমৈদা হাপ্নবগী মতাংদা পীজখ্রে। মসিগী তঙাইফদবা মরম অমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙ অমনা পীবা শকখঙচে (মীরোলদা-সর্টিফিকেট/প্রমান পত্র) দা হান্না মীরম হিন্দুগা মরী লৈনবা ৱাহন্থোক লৈতবা ৱাহায়শিং 'সিংহ, দেবী' য়াওখিবদু মরু ওইনা লৈঙাক্কী ওইগেরা, লন্নাইগীদা ওইগেরা থবক অমা তৌবগী নৎত্রগা তৌনবগী মথৌ তারিবা চহী মতাং ওইরবদি তঙায়ফদনা মথক্তা পনখিবা 'এফিদেভিট' অমা তৌরগা থিংদুনা ওন্থোক ওনশিন/শেমদোক শাদোকপা তৌবদু খক্তগী ৱাফমনি।

মশানা মশাবু থবক পীজরগা মরোমদোম্না লৈঙাক্তগী/শেল-থুমগী লৌথোক লৌশিন, শিংতোক শিংজিন তৌনবা লৈরিবা লোয়শঙ (মীরোল-বেঙ্ক) শিংগা থোয়না মরী লৈনরোইদবা ওইবশিংগীদমক্তদি মথক্তা পনখিবা 'এফিদেভিট' তৌবগী মথৌ তাদে হায়না লৌবা য়াই। মথৌ তারগদি, মমাঙদা পনখিবা মীরোলগী ৱাহায়শিং 'সিংহ, দেবী' য়াওখিবদু য়াওহন্নীংদ্রে/শেমদোক্কে হায়রবদি 'এফিদেভিট' তৌবা মথৌ তাই।

মীরোলনা লোলয়ান ওইহল্লরোই নৎত্রগা মীরমদা ৱাহন্থোক লৈবদু ইরমদমসিদদি ৱাহন্থোক লৈতবা ৱাহায়শিং 'সিংহ, দেবী' শুকসি শীজিন্নরোই হায়রবদি অঙাং অমা পোকপগী ৬নি ঈপান থাবা থৌরম পাঙথোকত্রিঙৈ অপোক্লোন ইনবা নৌনা পোক্লকপা অঙাংদুগী মপোক মশাৎকী ৱারোল (মীরোলদা-বর্থ রিপোর্ট) দুগা কোন্ননা ইচানুপা-ইচানুপী/ইশুনুপা-ইশুনুপীগীদমক্তা - 'সিংহ' গী মহুত্তা ঐখোয়না পীজরিবা য়েক্কী মমিংসি ওইনা ইবিয়ু। অদুগা ইশুনুপী/ইচানুপীগীদনা 'দেবী' গী মহত্তা চনু হায়না ইবিয়ু। কনাগুম্বা ঈনাৎ লাইনীং লীচৎ চৎপা ইমুং খরগী মচা-মশু নুপাগী য়ূম্নাক অমদি মমিংগী মমৈদা 'মীতৈ/মৈতৈ' হায়না ইবসু অদুম য়াওই। মসিসু অকায়বা করিসু লৈতে। নুপীমচাগীদদি অদুম ইমান মান্নরে।

নুপামচাশিংগী মিংশিংগী মমৈদা/মনীংদা য়েক-সলাইগী মমিং ইবগী কান্নবদি মখোয়না খরা চাওরক্তুনা ৱাখল তারক্লবা মতমদা ঐখোয়গী য়ূম্নাক্কী য়েক্তি খুদম ওইনা, মঙাং/লুৱাং/খুমন/অঙোম/মোইরাং/খা-ঙানবা/চেংলৈ নৎত্রগা শরাং-লৈশাংথেমনি হায়বসি খঙবা ঙম্লগনি। অদুদগী মখোয়না হয়েং চাউরক্লগা শাবি-শানৌ ওইনা শকখঙ মায়খঙনরক্তুনা চারৌ মৌরৌনরক্লগে খল্লকপা মতমদা য়েক মান্নরবদি 'য়েক নামুংবা' কৌই/থোকই হায়বসি মাঙজৌননা খঙলবনিনা 'য়েক নামুংবগী' খুন্নাইদা পীগদবা ফত্তবা চৈথেংদগী মাঙজৌননা ঙাকথোকপা/থিংবা ঙমহনগনি। মসিগী মরমদদি মীওইবশিংগী হকশেল কাঙলোনগী তোঙান তোঙানবা থিজিল্লোইশিংনা হেন্না মরিক চুম্না খঙলবা ৱাফম্নি। লৈশেম্লোনদগী লৈরক্লবা হায়বা য়ারবা অদুবু নমু তাইবঙ মীওইবশিংগী মকোক অদুগা খোইয়ুম লাইগীনা মমৈ/অরোইবনি হায়রিবা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবগী সনা হাক্তক্তগী লৈরক্লবা ফজখ্রবা চারৌ মৌলৌনবা হায়রম্বদগী চারৌ মৌরৌনবা হায়বা চৎন-লীখুন/কাঙলোনসি ঙাক্না চৎপনা মাঙথরুরবা ঙসিগী খুন্নাইসি মাঙলোমদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমগদৌরিবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।